থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# কনানসু লৌবীদবা ৱা অমা

ঐ! ঐসিবু কনানো? ঙসি নোং ঙাল্লকপদা ইথন্তা ইদোম হংজরকখি। লাইখায় তাদনা খল্লকখি - কনাগুম্বনা ঐঙোন্দা 'নঙ কনানো' (হু আর য়ু) হায়না হংলক্লবদি, ঐহাক ইশাবু করম্না শক তাক্কনি? মিং হায়রগা তোক্লদ্রা! ঐগা মিং মান্নবদি ঐনা খঙবমক্তদা তরা, কুন, কুন্থ্রা হেন্না লৈ। য়ূম্নাক্কা কোন্ননা তাক্লবসু, ঐনা খঙদবা, য়ূম্নাক-শাগৈ-মিং মান্নবা কয়া অমা লৈরম্লি। মিং অমসুং য়ূম্নাক-শাগৈনা ঐগী অশেঙবা শক্তাক নত্তে। অদুদি, ঐনা পায়রিবা শিনফমসিনা, পামজনা তৌরিবা থবকসিনা ঐগী শক্তাক্লফম ওইগদ্রা? ওইফম থোক্তে মদুসু। মরমদি, শিনফমসিদা ঐ, ইথন্তা নত্তে। ঐঙোন্দগী হেন্না শক্লাইবা মী কয়া লৈ শিনফমসিদা। শিনফমদু পায়বা মীশক অমনি হায়না শক্তাকপদুনা ঐগী অশেঙবা শক্তাক ওইফম থোক্তে।

নিংথম থা চঙলকপসি, অয়ূক য়াহৌরকপদা ফমুংদগী কূমথনীংদবগা ইরোয়ননা ৱাখলসিসু ফমজিল্লকপা, অনৌবা ৱাখল থোক্লক্তবা-উদুনতা লৈরবদু হনজিন হনজিন য়েংলুবা, মল্লবা ৱাখল পরিংদু হনজিন-হনজিন খল্লুবা-মদুদগী খল্লক্লিবনি... ঐসিবু কনানো? শকখঙদবা কনাদা ঐবু করম' শক্তাক্কনি? ঐহাক অফবা মীশক অমরা? চাওখৎপা লৈবাক অমগী চাওখৎপা মীওই (সিভিলাইজ-সিটিজেন) অমরা? অদুবু, সিমদি খঙই ময়েক শেংনা - ঐহাক 'ইন্দিয়ন' অমনি, ইন্দিয়নশিংগী মরক্তা অমুকসু 'মণিপুরী', মণিপুরীশিংগী মরক্তসু 'মীতৈ'। অদুগা, মসিমসু খঙই ঐ- চাওখৎপা লমগী চাওখৎপা মী অমা হায়বদুসু নত্তে ঐ। চাওখৎপা মীগসু তিন্নদে ঐ। চাওখৎপা মীগা তিন্নরম্লবা, ঐহাকসু চাওখৎপা মী অমা ওইরমগনি শোয়দনা।

চাওখৎপা হায়বসি করিনো? অফবা হায়বদুনা করিনো? খঙলুবা কৌবনা ওইনীংলুই - চাওখৎপা লমগী অফবা মী! অমুকসু খল্লি - ঐনা ওইনীংবা মীসিবু হেক্তা ওইবা য়াবরা? ঐনা ঙসি ওইরিবা, ওইফম থোকপা ঐ'দুরা? কনানা ওইহল্লকপনো? ঐনা ওইনীংবা মী'দুবু হেক্তা ওইবা য়াবরা? ঐ অচৌবা ওফিসর অমনি ... আই এ এস ওফিসর অমনি/কম্মিস্নরনি/সেক্রেটরিনি/দাইরেক্টরনি... ঐ চীফ মিনিষ্টরনি/কেবিনেট মিনিষ্টর অমনি/এম এল এ'নি নৎত্রগা এম পি'নি... ঐহাক ইনাক খুনবনি, কম্পনি অমগী মপুনি... অসিনচিংবা নাপলগা ইরোইনবা শক্তাক ৱাহৈ অদুনি মীওইবনা হায়নীংবা। অসিগুম্বা নাপল, ইগো অদু লৌথোকখ্রবা-মী ওইদে মীওইবা। অদুগুম্বা ইগোগী মায়খুম উপ্পা ঙম্লুদবদুনা ওইবা তাই ঐনা মী ওইদ্রিবা।

ঐ, নঙ, মহাক ... ঐখোয় পূম্নমক, ইমাগী শিয়োমনুংদা থাবুম তরা লৈরম্লগা তাইবঙসিদা লাকপা নুমিত্তুদা করিগুম্বা মিং নৎত্রগা শক্তাক অমগা লোয়নরগা লাকখিদে। অদুবু, মীকূপ্তুদা কূপশিনবীরকই শকউদবা মায়খুম অমা - করি লমদা পোকপনো... মমা-মপা কনানো... করম্বা য়ূম্নাক শাগৈনো? মথংদা কূপশিল্লক্কনি-নীংথিজবা মিং অমন'মুক! মীওইবনা পোক্লকপদা লৌশিং অমত্তা লোয়নরকখিদে, লোন অমত্তা লোল্লকখিদে। তপ্না তপ্না চাউখৎলক, লোয়নবশিংনা তম্বীরকই লোন অমা, লোন'দুনা হাপচিল্লকই লোইনাইদ্রবা লৌশিং পূক্কে হাপ্লিমখৈ চনবা কোকসিদা। হাপচিনখ্রিবা লৌশিংদুনা শেমদোরকই মীওইববু মী মখল কয়া থোক্লা - দাক্তর, ইঞ্জিনিয়র, লোয়র, সাইন্টিষ্ট, প্রোফেসর, টিচর, পোলিটিসিয়ন, থিকাদার, বিজিনেসমেন...। মশাদা য়াওরিবা লৌশিংদু মশাগীনি খন্দুনা হায়রকই - ঐ দাক্তরনি, ইঞ্জিনিয়রনি, উকিলনি। ঐহাক পোলিটিসিয়ননি, মিনিষ্টরনি শক্তাক্লিবদুদি মপান্থোংগী কুরাংবানগী শক্তম অদুনি হায়বদুদি কনানসু খন্থনদে। মীওইবগী খ্বাইদই হেন্না তমথীবা শক্লোন অমদি মশাবু মশক তাকপদা ঐ হিন্দুনি/খৃষ্টিয়ননি/মুসলমাননি হায়বা শক্তাক অমা হাপচিল্লকপা অসিনি। মহাক্কী অমত্তসু নত্তবা পোৎ ময়াম অমা, মতম খরখক্কী ওইনা মনাক্তা পৈশিন্দুনা থল্লগা, মহাক্কীনি খন্দুনা চাউথোকচরিবা মীওইবগী মতৌ অসি উরগা, মীওইবগী ধর্ম্মগী হৌরকফম ওইবা মীশক খরদুগী মনুংদা অমনি লৌনরিবা 'গোরখনাথ'না ৱাজখি। হায়খি ... 'অদুগুম্বা কান্নদবা নাপল অদু লৌথোক্তুনা মাঙহনখো... নঙনা ঙসি নঙনি খঞ্জরিবা, নঙনা তানশিল্লুবা নঙগীসু নত্তবা লৌশিংদুনা ওইহল্লকপনি... ৱাখলদুগী হৌরকফমদু নঙগী লৌশিং অদুনি'...।

মতাংসিদদি ৱাফম অসি লুরক্লে। ঐনা খল্লি - ঐগী কোক্তা য়াওরিবা লৌশিং পূম্বা ঐগীনি। গোরখনাথ'না হায় - পূম্নমক্তু অমত্তা নত্তে নহাক্কী। মহাক্লা হায় - নমিংদুসু নঙগী নত্তে, অতোপ্পনা থোনবীবনি ... নঙোন্দা লৈরিবা লৌশিংদুসু অতোপ্পদগী পূবনি... অতোপ্পা কনানা হায়রম্বা, ঙাঙলম্বা, ইরম্বদু নঙনা মতৌ তম্বনি, নঙগী শানা ঙাঙবনি ... অতোপ্পগী লৌশিংনি, নঙনা পূজরুবনি, নঙগী নত্তে'...। মাগী ৱাহৈশিং অসিনা ঐহাকপু অহিং কয়া তূমহনখিদে, ৱাখল ঈপাক্তা ঈরাক্লহনখি। ৱারী লাইরিক্তা ইরম্বা, ইপা-ইপুনা থল্লম্বদু পারুরগা ঐগী ওইরবোই নীংবনি। ঐগী ইরল অমত্তা নত্তে। ইশাগী অমত্তা নত্তবা, লাইরিক্তই পূরুবা লৌশিং-পূক্কে অসিবু ঐগীনি খন্না নাপন ৱাংথোইনরম্লিবা ঐহাকসে কয়াদা পঙলমখ্রবনো? 'নহাক দোক্তরেটনি, দাক্তর মিংথোল পীরবনি' - য়ুনিভর্সিটি অমনা হায়বনি, ঐহাক্লা য়াথোক্লুবনি। মশক ফজবী (শকহেনবী) অমদা 'ফজবগী মবেম্মা' (বিউটি ক্বিন) নি লাউথোকপদুগা খেন্নবগে করিবু? মতম খরই মিংথোলনি, মহাক্লা পূমহেন হেল্লবীদি নত্তেদনা।

মীওইবই মশাদা য়াওফম থোকপা মতিক-ময়াই (পর্সোনেলিটি) অদু মশানা শেমগৎচরকপা নত্তবা, অতোপ্পনা শেম্বীবা, অতোপ্পনা তৈশিনবা মচুনা মশাগী মচু ওইনা খঞ্জরবা মহাক্তো মশাবু কৈদৌঙৈ শকখঙজরক্কনি! মরম অদুনা, গোরখ'না হায়, 'অৱায়বা পুন্সি অমা শাগোন্নদৌ লৈরবা ... পুন্সিদুদা অতোপ্পদই পুরুবা ৱাখল লৌশিংনা মচু শঙবা পুন্সি ওইনা হিংদৌ শরুক শিদোকখো... নশাদা য়াওরিবা, নহাক নত্তবা, অতোপ্পদই ৱায়রুবা, পুরুবা মতৌ অদু হাত্তোকখো... অদুগা হিংঙু নহাক্কী ওইজবা অশেঙবা পুন্সি অদু শাগোন্নদুনা'...।

ইশাদা য়াওজবা অশেংবা শক্তমগা শাগোন্ননা হিংননবা পাউজেল্লম্বা গোরখনাথ! অৱাবনি! মাগী ৱাহৈ নীংশিংবদি থমখিসি। মহাক হিংলম্মী হায়বদুফাও' নীংশিংবীদে কনানা। মহাক কদায়দা, কৈদৌঙৈ পোকখি, কৈদৌঙৈ শিখি - কনানসু খঙদে। গোরখপুর কৌবা লমদম অমা লৈরম্বনা, হিংলম্মী হায়বদু ফাওবদি খঙই কাঙলূপ খরনা।

---



# কোভিদকী অনৌবা ভেরিয়ন্টসিবু

## ওমিক্রোন থোল্লিবা করিগীনো, ভেরিয়ন্ট অসি কয়াম শাথিবগে?




ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)গী মতুংইন্না কোভিদ-১৯গী খ্বাইদগী নৌরিবা ভেরিয়ন্ট ওমিক্রোন হায়রগনা হেন্না খঙনরিবা বি.১.১.৫২৯ ভেরিয়ন্ট অসি সাউথ অফ্রিকাদা ইহান হানবা ওইনা হৌখিবা নবেম্বর ৯দা কল্লেক্ট তৌখিবা স্পিসিমেন অমদা থেংনখিবনি হায়রি।

দব্লিয়ু ঐচ ওনা খ্বাইদগী নৌরিবা ভেরিয়ন্ট অসিবু ওমিক্রোন হায়না মমিং পীখিবনি। মসি কোভিদ-১৯গী ১৩শুবা ভেরিয়ন্ট ওইবগা লোয়ননা ভেরিয়ন্ট ওফ কন্সর্ন মঙাগী মনুংদা খ্বাইদগী অনৌবনি। হৌজিক মীয়ামগী ৱাখলদা লৈরিবা ৱাহংদি অনৌবা ভেরিয়ন্ট অসিবু ওমিক্রোন হায়না কৌরিবা অসি করিগীনো অমদি কোভিদকী ভেরিয়ন্টশিংগী মমিং থোল্লিবা অসি করম্বা মওংদনো হায়বা অসিনি। মসিগী মরমদা মখাদা পীরি।

ওমিক্রোন হায়রিবা অসি গ্রিক অল্ফাবেটকী ১৫শুবা ময়েকনি। চৎলিবা চহী অসিগী মে থাদা কোভিদকী ভেরিয়ন্টশিংবু গ্রিককী লেট্টরশিং শীজিন্নরগা মমিং থোল্লগনি হায়না লাউথোকখি। ভেরিয়ন্ট খরদি মখোয়শিং অদুবু ইহান হানবা ওইনা থেংনরকখিবা লৈবাকশিং অদুগী মমিংদা ওইনা খঙনখি, অদুবু মদুমক্তি মমিং থোনবগী অচুম্বা খোঙথাং নত্তে। ভেরিয়ন্টশিং অসিবু গ্রিককী অল্ফাবেটশিং শীজিন্নরগা থোনবা অসিগী মরমদি মীচমশিংগীদমক, মখোয়না ভেরিয়ন্টশিংগী মরমদা হায়নবা, ঙাঙনবা, ৱারী শানবা, অমদি খন্না-নৈনবা মতমদা হেন্না লায়থোকহন্নবনি।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গজাইনেসনগী মতুংইন্না, সাইন্টিফিক ওইবা মমিংশিংগী এদভান্টেজশিং লৈজরগসু মখোয়শিংসিদি হায়বদা লুবা অমদি নীংশিংবদা ৱানা থোকপা য়াই, অমদি ভেরিয়ন্টশিংগী মরমদা পাউ তম্বা মতমদা লান্না তম্বা য়াবগী চাংসু য়াম্না ৱাংগনি। মসিনা মরম ওইরগা মীয়াম্না ভেরিয়ন্টশিংবু মখোয়দু থেংনখিবা (দিটেক্ট তৌখিবা) মফমশিংদুগী মমিং লৌদুনা কৌনরকই, মসিদি য়াম্না ষ্টিগমাটাইজ তৌবা অমদি দিস্ক্রিমিনেট তৌবগী মওং ওইহল্লি।

হৌজিক হৌজিক লৈরিবা ভেরিয়ন্ট ওফ কন্সর্ন মঙা লৈরে, মখোয় মঙা অদুদি- অল্ফা-বি.১.১.৭ (য়ু কেদা ইহান হান্না থেংনখিবা); বিটা - বি.১.৩৫১ (সাউথ অফ্রিকাদা ইহান হান্না থেংনখিবা); গম্মা - পি.১ (ব্রাজিলদা ইহান হান্না থেংনখিবা); দেল্টা - বি.১.৬১৭.২ (ইন্দিয়াদা ইহান হান্না থেংনখিবা) অমদি ওমিক্রোন - বি.১.১.৫২৯ (সাউথ অফ্রিকাদা ইহান হান্না থেংনখিবা) অসিনচিংবনি।

অদুগা ভেরিয়ন্ট ওফ ইন্টরেষ্টকী মনুং চনবদনা পুন্না ভেরিয়ন্ট অনী লৈ। অনী অদুদি, লামদা - সী.৩৭ (পেরুদা ইহান হান্না থেংনখিবা) অমসুং ম্যু -বি.১.৬২১ (কলম্বিয়াদা ইহান হান্না থেংনখিবা) অসিনি। অতোপ্পা ভেরিয়ন্ট খরা অমদি হৌজিক খায়দোক্লিবা ক্লাসিফিকেসনগী লেভেল অসি য়ৌদে, অদুগা দব্লিয়ু ঐচ ওনা অনৌবা ভেরিয়ন্ট ওমিক্রোন অসিগী মমিং থোনবা মতমদা ময়েক অসিগী মমাঙদা লৈবা ময়েক অনী - Nu অমসু Xi বুদি কাম্থোক্লম্লে। কোভিদকী ১৩শুবা ভেরিয়ন্ট অসিগী মমিং থোনবদা গ্রিককী অল্ফাবেটকী ১৩শুবা অমসুং ১৪শুবা ময়েকশিংবু কাম্থোক্লম্লগা ১৫শুবা ময়েক ওইরিবা ওমিক্রোনগী মমিং লৌরগা ওইনা থোল্লিবগী মরমদি, দব্লিয়ু ঐচ ওগী স্পোক্সপার্সন অমা ওইরিবা টারিক জাসারেভিককী মতুংইন্না তরাহুমদোইশুবা ময়েক ওইরিবা Nu অসিদি ইংলিসকী ৱাহৈ 'new'গা ইরায় লায়না য়েৎশিন্নবা য়াই। অদুগা Xi হায়বা অসিনা মীওই কয়াগী কম্মন ওইবা মমৈগী মিং (লাষ্ট নেম) অমা ওইবগীদমক শীজিন্নদবনি হায়রি।

নৌনা থোরক্লিবা ভেরিয়ন্ট কন্সর্ন বি.১.১.৫২৯ (ওমিক্রোন) অসি মোনোক্লোনেল এন্টিবোদি থেরাপি নৎত্রগা কোকটেল ট্রিটমেন্টতা রেস্পোন্দ তৌদবা য়াই হায়না এক্সপার্টশিংনা থাজরি।

সাউথ অফ্রিকা অমসুং অতোপ্পা মফমশিংদা থেংনবা ওমিক্রোন ইনফেক্সনশিংগী প্রিলিমিনরি এনালাইসিসদা য়ুম্ফম ওইরগা, এক্সপার্টশিংনা হায়রি মদুদি, ইন্দিয়াদা অনীশুবা ৱেভ থোকহনখিবা দেল্টা ভেরিয়ন্ট অদুদগী ওমিক্রোন ভেরিয়ন্ট অসিনা শন্দোকপা ঙম্বগী চাং শরুক ৬ ৱাংবা হেল্লি। মসিনা ইম্ম্যুন সিষ্টেমদগী নাম্থোকপসু ঙম্বা য়াই। অনৌবা ভেরিয়ন্ট অসিনা ভেক্সিন ব্রেকথ্রু ইনফেক্সনশিংসু থোকহনবা ঙম্বা য়াই হায়রি। ভেক্সিন ব্রেকথ্রু ইনফেক্সন হায়বদি ভেক্সিন মপুঙ ফানা কাপখ্রবা মীওইশিংদা ইনফেক্সন তৌরকপা অদুবুনি।

ইনফেক্সনশিং অমদি মী শিবগী চাং য়াম্না ৱাংহনখিবা দেল্টা ভেরিয়ন্ট অদুদি মোনোক্লোনেল এন্টিবোদি থেরাপিনা কান্নবা পীবা ঙমই। অদুমওইনমক, দেল্টাগীদগী থংথরকপা দেল্টা প্লস অদুদি অমুক হায়রিবা থেরাপি অসিদা কান্নবা ফংখিদে। দেল্টা প্লসকী মতুংদা মোনোক্লোনেল এন্টিবোদি ট্রিটমেন্টতা কান্নবা ফংদবা অনীসুবা ভেরিয়ন্ট অসি ওমিক্রোননা ওইরি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাক্কী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

---

মমি ৱারী থৱান





স্কুল চত্তবদগী অঙাংশিং ময়ূমদা মচিন মনাওশিংগা পূন্না শান্নমিন্নবা ফংই, স্কুল চৎলবদি প্রাইভেট ট্যুসন অমদি হোম ৱার্ক তৌনবা হোৎনবদা মমা মপা, মচিন মনাও শান্নমিন্নবা অমত্তা ফংদে। তৌদবা য়াদবা অচিনবা ভাক্তনা অঙাংশিংদসু অৱাবা ওইহল্লি। অঙাংশিংনা হেন্না নুংঙাইনা শান্নমিন্নবা পাম্মী, মখোয়না শান্নরগা তম্মী, শান্নরগা খঙই, শান্নরগা শিংবা হৈবা হীরম খুদিংমক্তা হেল্লকই।

---

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

## লায়রবা লৌমী-শিন্মী কয়াদি চাকথোং গ্যাস শীজিন্নবা ঙম্লৈহিদৌবগী ফীভমদা লৈরে



উজৱালা স্কিমগী মখাদা লায়রবা শেন্থোক লম্বী ৱাৎলবা মীয়াম্বু নুংঙাইহন্নবগীদমক্তা লেম্না চাকথোং গ্যাসশিং ফংহনখিবা য়াম্নমক মরম চাই। ঙসিগী লৈঙাক্লা লায়রবশিংদা পীবা অচৌবা খূদোল অমনি হায়না শীংথাজখি। মসিমক্লা মরম ওইরগা লায়রবা কয়াগী চাকখুমগী থবক তৌরিবী নুপীশিংনা মখোয়সু ইনাক খুল্লবা শেন্থোক লম্বীসু ৱাৎত্রবা মীওইশিংনা শীজিন্নরিবা চাকথোং গ্যাসশিং মখোয়সু শীজিন্নবা ঙম্লে খল্লুবদা ঙমখৈ লৈতনা নুংঙাইজবা ফাওজরি। অদুবু মখোয়গী নুংঙাইবা অদু অতেনবা মতম হায়বসি থা খরখক্কীনি খল্লকপদা মশাদা নুংঙাইতবা অমদি পূক্নিং ৱাখল ৱারকপগী অচৌবা মমি তারে। মসিনা মরম ওইদুনা নুপী কয়াগী মায়থোংদা মায়হিং ফাওবা কানবা য়াওরক্লে। মসিগী মরু ওইবা মরমশিংদি ঙসিগী লৈঙাক অসিনা শেন্থোক লম্বী ৱাৎলবা লায়রবা মীয়ামদা লেম্না য়েল্লিবা চাকথোং গ্যাসকী সিলিন্দরশিংসে মতৌ করম্না শেল পায়দ্রিবনো। মরু ওইনা চাকথোং গ্যাসশিং লেম্না ফংখ্রবশিংনা অরাইবা মওংদা নৌনা সিলিন্দরশিং হানবা ঙম্নবগী উপাইশিংসু লৈঙাক্লা পীবিগদবনি নৎত্রগনা লৈঙাক্লা লেম্না পীবিখিবা চাকথোং গ্যাস পূম্নমক লেম্না অমুক হানবা য়াবগী ওইথোকপশিং থম্বীগদবনি। মদুখক্তনা লায়রবশিংদা পীরুরিবা খূদোল অদুগী কান্নবশিং ফংবা হায়বদু ওইগনি। হৌজিক গ্যাস সিলিন্দর অমদা ১,১০০ পীরে, মসিদা কনানা হানবা ঙম্নগদৌরিবনো।

❒ টিঐচ বিরেন, নিংথৌখোং

## অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী মীওইশিংগা য়েংনরুবদা মণিপুরগী মীয়াম অসুক্কী মতিক ফৈ



মণিপুরগী মীয়াম অদুক্কী মতিক ফৈ, পূকচেল চাওই, ঈং-তপ্পী। অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী মীশিংগা চাংদম্নদুনা য়েংলুবদা অহেনবা মীৎয়েং অমা লৈজে। অসিগুম্বা কয়া অসিনা মণিপুরদা মপান্দগী মীওই কয়া লাক্তুনা অকি-অখঙ য়াওদনা লৈরিবনি। মীনুংশি চাওবা শাখিবদুনা ঐখোয়গী হিংবগী চাকখাও ফাওবা মখোয়না পায়শিনখ্রে। মসি ফাওবগী থাকসি য়ৌরবদা মণিপুরগী মীয়ামদি করিসু খন্দনা লৈথোক্লি। ঙসিদি মণিপুরগী মীয়াম্বু অহোংবা চৎনবীদা অমসুং মীনুংশিদা অওনবা কয়া অমা উবা ফংলে। ঐখোয় মশেলগী মরক্তা মীনুংশিগী ওইবা মশকশিং মাঙলক্লে। ঐখোয় মশেল করিসু নত্তবদা হাৎনদুনা লৈরে। ঐখোয়গী লৈবাক্তি অফবা লুচিংবা অমতং লৈরকপদা ময়াম চঙদুনা নমথনবা হোৎনৈ। চোংথোরক্লিবা মীয়ামগীদমক কান্নবা তৌগনি হায়না থোক্লকখিবশিংসু মখোয় মশেলগী মরক্তা চাওবা তান্নে, অমনা অমবু উশিংনদে। মখোয় মখোয়না অচুম্বনি হায়দুনা পংলাউদা লাউদুনা লৈরি। হৌজিকপু ঐখোয় মীতৈ-মৈতৈ হায়বা ৱাহৈ অনীসিদা অদুমক লৈরি। ঐখোয়দি ঙসি ফাওবা অনী থোকপীদা অদুমক লৈরি। ঙসি ঐখোয়গী চৎনবীশিং অসি অনী থোকপা পামজবা ওইনা তৌরি। ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা মীয়াম্না চৎলিবা চৎন-কাঙলোন কয়া মনিং তম্না চৎলিবসি লৈঙাক্কী মরী লৈনবা মীওইশিং অথিংবা অমত্তসু পীবিদে। মণিপুরদা লৈরিবা দিপার্টমেন্টশিংবু কনা অমত্তনা য়েংশিনবীবসু তৌদ্রে। ট্রান্সপোর্টকী গাড়ী থৌরিবশিংনা মীয়ামদগী লৌনিংবা গাড়ী অতোংমল লৌরিবা অসিসু লৈঙাক্লা মরু ওইনা য়েংশিলহন্নিংই।

❒ ওইনাম কুঞ্জেশোর, লাংজিং অচৌবা

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

---

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩।১২।২০২১ ইং, ইরাই;
হিয়াঙ্গৈগী ২৯ নি পানবা।

মেষ : লৌশিং হেনগৎপা, লাই-গুরুনা চানবীবা অমদি অফা-অপুন কোকচগনি। অঙম্বগী মতেং অমদি লৌশিংনা লন তানশিনবা ঙমগনি। য়েক্লবনদি হুন্দুনা ঙাঙই।
লৈশা পাখংগী - মীৱা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

বৃষ : মীতোপ্পা হায়বা হেন্না থাজরদি কিবা চিংনবা পোক্কনি অমদি হৈতনা অহৈবসু শাগনু। নিংবদি থুংগনি, মীয়াম্না পাম্নবা থবক পাংহৌরো, ওইজবা ফংগনি।
লৈশা পাখংগী - লাইবক ফরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিথুন : থৌনা লৈনা হোৎনবা লেপ্তুবনা মায় পাক্লবগী নুমিৎনি। মরী মতা নত্রগা নক্লবা নঙগী মীতমক লোয়নবা ফগনি। নচা-ননাই ময়েং তাগনি-ফিংগনু।
লৈশা পাখংগী - ৱারৌনবা লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

কর্কট : নিংথিনা পোরম য়াৎলগা থৌ পাংবনা চাদিং হন্থবা ঙমগনি অমদি মীনা থাগৎনবা ওইগনি। ফিংবা অমদি অশাওবনা মাঙওইনরদি ফংবা য়াবসু মাঙলনি।
লৈশা পাখংগী - ঙাঙবদি তানিংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

সিংহ : য়েৎনরম্বা লৈরসু ফরনি, লৌশিং ফুদোকপা ঙমগনি অমদি মীয়ামগা মরী ফগৎকনি। অদুবু মহু চাওবনা তাথিবা অমদি হন্থবা মীগা য়েংথিনবদি লৈ।
লৈশা পাখংগী - মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কন্যা : মীতোপ্পা ইনশিনবা লৌগনু। অপানবা ফংজবা, মীকোক থোংবৈ নুংঙাইবা অমদি পাইরক্কী লৌশিং চাওবা নুমিৎনি। মীচং অমদি লন চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংগী - নুংশি মরী ফরি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা : মায় পাক্লনি-অনৌবা থবক পাংহৌবা য়ারনি। শেন্দোং তানবা থবক্তা চাওনা মায় পাক্কনি অমদি ৱাখল থোক্কনি। অশাওবা অমদি নাপলনা মাঙজবদি লৈ।
লৈশা পাখংগী - ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

বৃশ্চিক : অঙনবদা লাইবক ফবা অমদি নিংবা থুংগদবা খোঙশাল লৈ। অফবা মফম, য়েৎনবদা মায় পাকপা অমদি মরুপ ফংবা লৈ। য়েক্লবসু লৈ-ফিংগনু।
লৈশা পাখংগী - নিংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

ধনু : লম্ খুদিংদা মায় পাক্কনি। মীচং ৱাৎলোই, লমদৈ কান্নবা লাক্কনি অমদি শেল ফংগনি। অদুবু হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপনা লৌশিং ফুদোকপা ৱাগনি -ঈংথৌ।
লৈশা পাখংগী - নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং

মকর : থবক পাংগনি, নিংবদুমক থুংবা য়াবা লৈরে অমদি কনানসু লাকচবা ঙমলোই। হন্থবা লোয়নবদি চাদিং হেনগনি অমদি ঈরাং পুরদি থবক মাঙগনি।
লৈশা পাখংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

কুম্ভ : কিদবা অমদি মতাং চানা থৌনা ফুদোকপনা থবক পাংগনি। নক্লবা মীশিংগী মতেংদি ফংগনি-অতৈদি ফংলোই। ৱা ঙাঙবা ঙসিসু লুই, অরং অরাক লৌগনু।
লৈশা পাখংগী - য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

মিন : লৌশিং অমদি পল্লম্বা শেল-থুম ফংবৈ নুংঙাইজবা অমদি মরুপ মপাংনা চানবীবা নুমিৎনি। ঙাঙ-শাকপা অমদি থৌরম শিনবা লৈগনি। হোয়াদি ফগনু।
লৈশা পাখংগী - নিংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।